**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 04-01-2026)**

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুমনা ২০২৯ ফাওবগী মনুংদা মীয়ামদা মতম চানা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবা ঙমহল্লগনি।

অন্দমান অমসুং নিকোবর ইথৎকী বিজয়াপুরমদা ঙরাং পাঙথোকখিবা গৃহ মন্ত্রালয়গী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সলটেটিব কমিতিগী মীফমদা ৱাফম অসি মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম অসিগী মখাদা কেসশিং থিজিনবগী থবক চথুরি। গৃহ মন্ত্রালয়না শিনদুনা ২০১৯ দগী হৌনা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সলটেটিব কমিতিগী মীফম ১২ রক পাঙথোকখ্রে।

শ্রী সাহনা হায়-ইং ২০২১ দা লৈবাক অসিদা মোবাইল ফোরেন্সিক লেবশিং লৈরমদে। অদুবু, ঙসিদি মোবাইল ফোরেন্সিক লেবে লিশিং অমা লৈবা ঙমলে। লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা চহি মঙাগী মনুংদা অসিগুম্বা ফোরেন্সিক লেবশিং হাংনবা সরকারনা লুপা কোতি লিশং ৩০ কায়থোক্লে। ইং ২০২৯ ফাওবগী নুংদা রাজ্য পুমমক্তা ফোরেন্সিক য়ুনিভরসিতি নৎত্রগা সেন্ত্রেল ফোরেন্সিক লেবোরেটোরি অমমম লিংখৎনবা পান্দম থল্লি।

**লীলা (এল)ঃ** ২২ শুবা শুমাং লীলা নিংথম কুম্মৈ ২০২৫ ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা পাঙথোক্লি।

মমাং থাগী ২৮ দগী মনিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ফেষ্টিবেল অসি থা অসিগী ৭ তা লোয়শিনগনি।

**নদ্দাঃ** কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি-জে.পি. নদ্দানা হায়রি-সরকার অসিনা লৌমীশিংগী হিংবগী থাক ৱাংখৎহন্নবা অমসুং মখোয়গী হক মপুং ফানা ফংহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎপদা মায় ওনশিল্লি।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা চিনতন সিভির কেম্পতা শরুক য়ারদুনা মন্ত্রিনা হায়-সরকার অসিনা লৌমীশিংগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। লৈবাক অসিদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা হার চাং ৱাংনা পুথোকবা পান্দম থল্লি। মহাকা মখা তানা হায়-লৌউ শিংউবদা হার চাং চানা শিজিন্নবা অমসুং হারবু অরানবা মওংদা শিজিন্নদনবা থবক পায়খৎলি। কেম্প অদুদা তোঙান তোঙানবা গ্রুপ ১৫ খায়দোক্তুনা হার পুথোকপদা মীপাল তাংদবা, লৌমীশিংবু হীরম অসিগী মতাংদা খঙহনবা অমসুং দিজিটেলগী খুত্থাংদা হার মতৌ করমা শিজিন্নবগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি।

**বৈষ্ণব ঃ** কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈষ্ণবনা হায়রি-ফোর জি অমসুং ফাইব জি নেটৱার্কশিং, সিমি কন্দক্টর চীফশিং অমসুং টেলিকোমগী মরুওইবা খুৎশু খুৎলায় কয়াগা লোয়ননা ভারত টেকোলোজিগী লমদা খুমাং য়াংনা চাউখৎলক্লি।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি অতল বিহারি ভাজপায় অমসুং শ্রীকান্ত শঙ্কর যোসি অনিবু নীংশিংবা ওইনা শিনবা পঞ্চপরিবরতন প্রোগ্রামদা শরুক য়ারদুনা মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিগী পোৎ-চৈ শাদুনা পুথোকপগী লমদা নীংথিনা চাউখৎলক্লি। চহি ১১ গী মমাংদা মোবাইল ফোনশিংগী চাদা ৯৯ মপান লৈবাক্তগী পুশিল্লক্লবা অদু ঙসিদি চাদা ৯৯ লৈবাক অসিদা শাজরে। লৈবাক অসিনা হৌজিক অতৈ লৈবাকশিংদা টেলিকোমগী মচাক মথুমশিং থাদোক্লি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

**মোরিস্ত ঃ** মোরিসস্তকী রাস্ত্রপতি-ধরস্বীর গুখুল নুমিৎ মঙানিগী খোঙচৎতা ঙরাং অন্ধ্র প্রদেসতা থুংখ্রে।

মহাকপু কৃষ্ণ জিলাগী গনভরম ইয়ারপোর্টতা তরামা ওকখি। তুংদা, রাস্ত্রপতিনা গুন্টুরদা থুংখি। মহাক ঙসি গুন্টুরদা পাঙথোক্কদবা অহুমশুবা মালেমগী তেলিগু মীফমদা শরুক য়াগনি।

**মাওইষ্ট ঃ** আইননা থিংখ্রবা সি.পি.আই. মাওইষ্ট পিপলস লিবরেসন গোরিরাগী আর্মিগী বটালিয়ন কম্মান্দর য়াওনা মাওইষ্টকী মীওই ২০ সরকারদা চংজখ্রে।

মখোয়না হায়দ্রবাদতা তেলঙ্গানাগী দি.জি.পি. সিভাধর রেদ্দিদা চংজরকখিবনি। মখোয়না চংজরকপা মতমদা আমেরিকানা শাবা কোল্ট রাইফল অমসুং ইজরেলদা শাবা তাভোর রাইফল, এ.কে. ফোরটিসভেন, ইনসাস রাইফল, এস.এল.আর. রাইফল, য়াম্লবা নোংমৈ মরু য়াওনা শেল ওইনা লুপা লাখ ২০ হেনবগী শেনফম য়াওখি।

মদুদা ৱা ঙাংবদা দি.জি.পিনা হায়-সরকারদা চংজরক্লবা মাওইষ্টশিংবু মহৌশাগী পুন্সিদা হনজিলহন্নবগীদমক লুপা কোতি অমা লাখ ৮১ লিশিং ৯০ কায়থোক্লে। অদুগা মীওই অমমমদা খুদক্কী তেংবাং ওইনা লুপা লিশিং ২৫-২৫ খুৎশিন্নখ্রে।

**ৱেদর ঃ** অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা ঙসি লৈচিল কুংনা থারবা য়াই হায়রি।

ইন্দিয়ান মেতিওরোলোজিগী পাউনা হায়-জম্মু কাশ্মির, লদাগ, হিমাচল প্রদেস, উত্তরাখন্দ, রাজস্থান, ছাতিসগর, ঝরখন্দ, নোংচুপ বঙ্গাল অমসুং মধ্য প্রদেসতসু ঙসি লৈচিল কুংনা থাগনি হায়রি।

মরক অসিদা, দিল্লি, হরিয়ানা, চান্দিগর, পঞ্জাব, উত্তর প্রদেস, বিহার অমসুং উরিষ্যাদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা কা হেন্না লৈচিল কুংনা থাগনি হায়দুনা ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে।

লৈবাক্কী কোনুং দিল্লি অমসুং এন.সি.আরদা লৈচিল কুংনা থাবনা মরম ওইদুনা ফ্লাইট পাইথোক পাইশিনদা অপনবা থোক্লে। অকাশবানি পাউমীদা দিল্লি ইয়ারপোর্টকী ওফিসিএল অমনা হায়-ইন্দিরা গান্ধি ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতা ফ্লাইট ৭২ কেন্সেল তৌখি।

**ভোল্লিবোল ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি, ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা উত্তর প্রদেসকী বরানাসিদা ৭২ শুবা নেসনেল ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট হৌদোক্কনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিং অমদি ইন্সটিট্যুসনশিংগী ভোল্লিবোল শান্নরোই লিশিং অমা হেনবনা শরুক য়াগনি। থা অসিগী ১১ ফাওবা চথুগদবা টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ৭৩ না শরুক য়াগনি। হৌদোকপগী থৌরমদা উত্তর প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি-জোতিয়ে অদিত্যনাথ শরুক য়াগনি।

**ত্রোফি(এল)ঃ** তরুকশুবা চন্দ্রনদি ত্রোফি ২০২৬ ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী হাউরৈবী কাংজৈবুংদা হৌদোক্লগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী থিমনা স্পোর্টস ফোর পিছফুল কো-এজিসটেন্স হায়বসিনি। হৌদোকপগী থৌরমদা হান্নগী উপ মুখ্য মন্ত্রি অমসুং দি.জি.পি. ৱাই. জয়কুমার শরুক য়াগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

অমিত সাহনা চেয়ার লৌদুনা মনিপুরগী ফিভমগী মতাংদা সেক্যুরিতি রিভিয়ু মীতিং পাঙথোক্লুনা খন্নখিবা, মীকোক থিনবা থবক পায়খৎপা হৌখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা পোপুলর গভরমেন্ট শেমবগী মীফম ওইফম থোকই হায়বা এক্সপার্টশিংগী মীৎয়েং, আই.দি.পিশিং খুন্দা লৈতাহন্নবা দিল্লি মীফমদা খন্নখি হায়বা পাউ অসি চাউনা হেদলাইন তৌদুনা অহানবা পাউ ওইনা ফোংলি। মিজোরামদা লুপা ক্রোর ৩৩ লাখ ১৮ গী দ্রগশিং ফাগৎখ্রে হায়বা পাউ অসিনা পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

এন.আর.সি. চৎনহল্লু হায়বা অকনবা দিমান্দগী চৈরক্তা মীকোক থিংনবা

দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরিশিং লেংহন্দনা থমবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা পাউ ওইরি।

দিল্লি মীফমনা প্রসিদেন্ট রুল শাংদোকপা য়াবগী ৱাফম খন্নখি হায়বসিনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। ন্যু ইয়ার পাঙথোকপগী মৈনা সেনাপতি ভিলেজকী য়ুম অমা মৈনা চাকখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুরগী সি.এস.ও. অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিংনা পামদ্রবসু মীকোক থিনবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। মনিপুর গভরমেন্টনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেটিব বাউন্দরিশিং লেংহন্দনা থমবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অমিত সাহনা চেয়ার লৌখিবা রিভিয়ু মীতিংদা আই.দি.পিশিং খুন্দা লৈতাহন্নবগী ৱাফম খন্নখ্রে হায়রি হায়বসিনা পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

অনৌবা চহি তরামা ওকপদা নোংমৈ কাপ্পগী ভিদিওশিং ভাইরেল চৎখ্রে। চহি তরুক্কী অঙাং য়োল্লম্বা মমা-মপা য়াওনা মী ৯ ফারে। কলহৌরবা অঙাং সি.ডব্লিয়ু.সিদা শিন্নখ্রে হায়বা পাউশিং পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। এম.পি. বিমোলনা লোক্তাক ইমাগীদমক অচৌবা থবক অমা তৌনবা থৌরাং তৌরে হায়না ফোংদোরকপা ৱাফমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমাইদা ফোংলি।

অমিত সাহনা প্রিসাইদ তৌদুনা মনিপুরগী ফিভম রিভিয়ু তৌবা মীফম পাঙথোকখ্রে। সেন্টরনা লৈঙাক শেমহনবীরক্লগনি খিংলিঙৈদা য়ুনিয়ন লৈঙাকা প্রসিদেন্ট রুল শাংদোকহন্নবা থৌরাং তৌরে হায়বসিনা হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

অনৌবা ক্রিমিনেল লোশিং অসিনা মীয়ামদা ৱায়েল ফংহনবদা অচৌবা লম্বী অমা ওইরগনি হায়বা হোম মিনিস্তর অমিত সাহগী ৱাফমনা মনিপুর মেলগী

অহানবা হেদলাইন ওইরি।

ভি.দি.এফকী দিমান্দ মরম চাবা দিমান্দনি হায়না ষ্টেট গভরমেন্টনা হায়রগসু পীবিদনা লৈরি হায়না এসোসিয়েসননা ফোংদোরকপা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমাইদা ফোংলি।

হোম মিনিস্তরনা চেয়ার লৌদুনা মনিপুরগী মতাংদা রিভিয় মিতিং পাঙথোকখ্রে। মনিপুরদা থল্লিবা প্রসিদেন্ট রুল মখা শাংথরবা য়াই হায়বা পাউ সনা লৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হৌগৎলক্লিবা মীরোলদা লমদমসিগী পুৱারী ময়েক শেংনা খঙহনবা মথৌ তায় হায়বা এম.এল.এ. এল. রামেশ্বরগী ৱাফম পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।